# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-12-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

(তাং ২৯-১২-২০২৫, নিংথৌকাবা)

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা লালহৌবা ৮ ফারে।

২) টাইগর রোড নৎত্রগা জর্মন রোড হায়না মিং থোনবা লন্বী অমা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা শেমগৎলকপা য়ারোই হায়না নেসনেল গ্রীন ত্রাইব্যুনেল ইষ্টর্ন জোন বেঞ্চ-কোলকতানা রাই তাখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিনা অথুবা মতমদা নেসনেল মেন্যুফেকচরিং মিসন হৌদোল্লগনি।

----

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক মখা তানা চথুরি।

পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা নোংপোক সেকমাই পুলিস স্তেসননা কোনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী প্রিপাক(প্রো)গী লালহৌবা ৬ ফাগৎখি। মখোয়দগী দবল বেরেল নোংমৈ অমা, মোবাইল হেন্দ সেট অনি অমসুং সিম কার্দ অনি ফাগৎপা ঙমখি। নুমিৎ অসিমক্তদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা য়াইরিপোক পেচিদগী প্রিপাক(প্রো)-জি.ফাইভকী মীওই ২ সু ফাখি।

অমরোমদা, হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাংগোই মমাঙ খাইদেমদগী নুপী অমা শিনা ফংখিবা অদুগা মরী লৈননা মণিপুর পুলিসনা থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওই ৪ ফাগৎখ্রে।

**কোকোমি(এল)ঃ** চীংগী মফম কয়া তেমথোক্তুনা টাইগর রোড নৎত্রগা জর্মন রোড হায়না মিং থোনবা লম্বী অমা লৈঙাক্কী অমদি মরী লৈনবা ওথোরিতিগী অয়াবা য়াওদনা শেমগৎলকপা অদু য়ারোই হায়না নেসনেল গ্রীন ত্রাইব্যুনেল ইর্ষ্টন জোন বেঞ্চ-কোলকতানা রাই তাখ্রে।

ত্রাইব্যুনেলগী রাই অদুবু কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না তরামা ওকখ্রে। ইম্ফালদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা কোকোমিগী কনভেন্নর-খুরাইজম অথৌবনা হায়-হৌখিবা জন-জলাইগী মতম অদুৱাইদা চীংগী মফম কয়া ফাওদুনা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা লম্বী অসি শেল্লকপদগী কোকোমিনা মীয়ামগী মহুৎ শিনদুনা ত্রাইব্যুনেল অসিদা ৱাকৎখি। ত্রাইব্যুনেল অসিনা হন্দক্তা তাখিবা রাই অমদা মনিপুরগী চীফ সেক্রেটরিদা জিলা তরুক্কী মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিং অমদি এস.পিশিংদা লম্বী অসি মখা তানা শেমহন্দনবা দরকার লৈবা থবকশিং লৌখৎনবা খঙহনখি।

**ফোক্স (এল)ঃ** ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স, মণিপুর (ফোক্স)না শিন্দুনা মণিপুরদা মহৌশাগুম তংদু লৈতাবা অমসুং শান্তি হঞ্জিল্লকপা হায়বসিদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি হোতেল ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি।

**পিএম ঃ** পোত্থোক পুথোকপা অমসুং লল্লোন ইতিক্কা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লৈবাক অসিবু গ্লোবেল সর্ভিসেস জাইন্ট অমা ওইহন্নবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা রাজ্যশিংগী পুকিং চিংশিনখ্রে। শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিনা অথুবা মতমদা নেসনেল মেন্যুফেকচরিং মিসন(এন.এম.এম) হৌদোক্লগনি অমসুং রাজ্যশিংনা মসিদা মীৎয়েং থমদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎতুনা মালেমগী অচৌবা কম্পনিশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনগদবনি।

নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা চিফ সেক্রেটরিশিংগী ওইবা জাতি থাক্কী কনফরেন্স লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাফমশিং অসি প্রধান মন্ত্রিনা ফোঙদোকখিবনি। নুমিৎ হুমি চুপা চত্থরকখিবা কনফরেন্স অসি হ্যুমেন কেপিতেল ফোর ভিক্সিট ভারত হায়বা হীরমদা থা অসিগী ২৬ তগী হৌখিবনি। কনফরেন্স অদুদা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৭০ দি থবক শুবা ঙস্বা নহাশিংনা ওইরি। লোয়ননা, শেল থুমগী লমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লিবা অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা পুন্না হোৎনদুনা ভিক্সিট ভারতকী মংলান মংফাওনহনবা ঙমগনি।

**শাহঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা হায়রি- ইং ২০২৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতনা মালেমগী ওইনা শেল থুমগী লমদা খ্বাইদগী চাউখৎপা অহুমশুবা লৈবাক ওইবা ঙম্লগনি।

গুজরাটকী অহেমদাবাদতা লৈবা বিস্বা উমিয়া ধামদা ঙরাং পাঙথোকখিবা

য়ুথ বিজিনেস সম্মিটতা ৱা ঙাংবদা শ্রী অমিত শাহনা হায়-হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা লৈবাক অসিগী জি.দি.পি অসি ত্রিল্লিয়ন দোল্লর ৪.১৯ য়ৌরে অমসুং অথুবা মতমদা ত্রিল্লিয়ন দোল্লর ৫ য়ৌবা ঙল্লগনি। মহাকা হায়- ইং ২০২৪ অমসুং ২০২৫ দা মালেম পুম্বগী ওইনা শেল থাদোক থাজিনগী ওইবা দিজিতেল ফাইনান্স ত্রানসেক্সন খুদিংমক্কী চাদা ৫০ দি লৈবাক অসিদগী ওইখি। শ্রী অমিত শাহনা অহেমদাবাদকী গোদাভিদা পাঙথোকপা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুনশিদা য়ুমফম ওইবা নামোৎসব হায়না মিংথোনবা নাৎকী ওইবা থৌরম অমদসু শরুক য়াখি। গৃহ মন্ত্রিনা রাজ্য অসিগী নাভা বঞ্জারদা মুখ্য মন্ত্রি ভুপেন্দ্র পতেলগা লোয়ননা কোতি ৩৩০ রোমগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংসু উরেপ উয়ুং তমখি।

**ৱেদর ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হিমাচল প্রদেশ, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, দেল্লি, উট্টর প্রদেশ অমসুং বিহারদা লৈচিল কুংনা থাবগা মরী লৈননা ওরেঞ্জ এলর্ট লাউথোকখ্রে। ফিভম অসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা মায়োকরবা য়াই হায়রি। লৈচিল কুংনা থাবা অসি ডট্টরাখন্দ, মধ্য প্রদেশ, উরিষা, নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদসু মায়োকরবা য়াই হায়রি।

**এভিয়েসনঃ** সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়গী থৌশিল মখাদা পেসেঞ্জরশিংগী শাফনবা অমসুং খুদোংথিবা থোক্লকপা মতমদা খুদক্তা পাউখুম পীবা ঙমবগীদমক পুং ২৪ চুপা চল্লাইগদবা পেসেঞ্জর এসিস্তেন্স কন্ত্রোল রুম(পি.এ.সি.আর) থমদুনা মথৌ পাঙথোকপা হৌখ্রে।

সিভিল এভিয়েসন সেক্রেটরি সামির কুমার সিনহানা হায়- সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়, সিভিল এভিয়েসনগী দাইরেক্তোরেট জেনরেল, এয়রপোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া, এয়রলাইন ওপরেতরস অমসুং তোঙান

তোঙানবা স্তেকহোল্ডরশিংগী ওফিসিয়েলশিংনা নিউ দেল্লিদা লৈবা উরান ভবনদা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা পেসেঞ্জরশিংগী শাফনবা য়েংশিনবা হায়বসিনা পি.এ.সি.আরগী মরুওইবা থৌদাংনি। সেক্রেটরি সিনহানা হায়-হৌজিক ফাওবদা পেসেঞ্জর লিশিং ১৩ গী খুদোংচাদবা কয়া কুপা য়েংশিল্লবা মতুং চয়েৎনবা খুদিংমক কোকহনবা ঙমখ্রে। ফ্লাইট থেংথবা, কেন্সেল তৌবা, রিফন্দ অমসুং বেগেজকা মরী লৈননা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ কয়াসু ৱাখল তামিন্নখ্রে। মহাক া হায়-সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা অহেনবা মেন পৱর শিজিন্নদুনা অমসুং মতমগা চুনরবা টেকোলোজি কয়াগী মতেংনা পি.এ.সি.আরগী মপাঙ্গল কনখৎহনগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নিয়ম লান্না শেমখিবা জর্মন রোড অমসুং তাইগর রোড অথিংবা থল্লকখিবা, ইন্দিয়ন নেসনেল কংগ্রেসকী ১৪০ শুবা ফা উন্দেসন ডে পাঙথোকখিবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

হুইয়েন লানপাউদা- খুরাইজম অথৌবনা ৱাকৎলুবদা এন.জি.টিনা চীংগী জিলা ৬ তা শেমগৎপা রিংরোডকী থবকশিং থিংজিল্লক্লে। নেসনেল গ্রিন ত্রাইব্যুনেলগী ইন্তরিম ওর্দরনা রিংরোড অমসুং তাইগর রোডনচিংবশিং পুমথিং থিংজিল্লক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক- সনালৈবাক, নহারোলগী থৌদাং অমসুং পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

থাংজিং অমদি কৌব্রু খুভম লাই খুরুম্বা য়াহল্লু হায়না মোইরাংদা রেল্লি

চৎখ্রে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কংগ্রেস লৈঙাক লৈরবা মতম খক্তদা নেনা তারক্কনি হায়না হায়না সি.এল.পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা আই.এন.সিগী ১৪০ শুবা ফাউন্দেসন ডে থৌরমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীরদুনা- হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং অমসুং পোকফমদসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- মন কি বাটতা মোদিনা মণিপুরগী মীওই অহুমবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে, থৌরম অসিনা লৈবাক অসি অচুম্বা মাইকৈদা চংশিনবা ঙম্লে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

আই.দি.পি লুখ্রাবী ৩৪৬ তা চিফ মিনিষ্টর ৱিদো পেন্সন ফংহনখ্রে হায়না দিপার্টমেন্টনা থমখিবা ৱাফমগী চৈরক্তা লুখ্রাবী খরদি ৱিদো পেন্সন কার্দ ফাওবা ফংদ্রি হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সিভিল ৱার চহী ৫ থেংনরবা মতুং ম্যান্মারদা মীখল পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

মশানা থাজরিবা মহে মরোং থাদোক্তুনা খক চেল্লরোইদবা লৌমীশিংদা লৈঙাক্কী স্কিমশিং ফংহল্লবদি লমদম অসি চিঞাক্তা মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওইরক্কনি হায়না কৈবী খুলেনগী খুঞ্জা অমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- নহারোলগী থৌদাংগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**